## পেলেষ্টিনিয়ন নুপামচা ১ হাৎখ্রে

রমাল্লাহ, ফেব্রুৱারী ২৩ (এজেন্সী): ৱেষ্ট বেঙ্ককী সেন্ট্রেল সিটি বেথলেহেমদা ইজরেলি লান্মীশিংনা চহী ১৪গী পেলেষ্টিনিয়ন নুপামচা অমা হাৎখ্রে হায়না পেলেষ্টিনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি অসিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়খি, মশাগী চহী ১৪ শুরবা মোহম্মদ শেহাদা হায়রিবা নুপামচা অসি লৈবাকপোকপা নুমীৎতা বেথলেহেম সিটিগা নক্ক বা অল-খাদের টাউনদা ইজরেলি লান্মীশিংনা নোংমৈ কাপ্পদা শিখি। উহৌবশিংনা ফোঙদোরকখিবদা, নুপামচা অদু টাউন অদুদা পেলেষ্টিনিয়ন দেমোন্সট্রেটরশিং অমদি ইজরেলি লান্মীশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্নরকপদা শিখিবনি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা ইজরেলি মিলিটরিগী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকখিদে। প্রেস ষ্টেটমেন্ট অমদা পেলেষ্টিনিয়ন প্রাইম মিনষ্টির মোহম্মদ ইষ্টায়েনা হায়খি মদুদি, শেহাদাগী মীহাৎ অদু পেলেষ্টিনিয়ন গভর্ণমেন্টনা কন্দেম তৌই। নুপামচা অদুবু হাৎলিবদু ইন্টরনেসনল লো খোঙ্গাওনবা ক্রাইম অমনি। পনবা য়াবদি, ৱেষ্ট বেঙ্ককী ওক্ক্যুপাইদ টেরিটরিশিংদা ইজরেলি লান্মীশিংগা পেলেষ্টিনিয়ন প্রোটেষ্টরশিংগা মুক্নবদা পেলেষ্টিনিয়ন কয়া শিখ্রবনি।

## বাইদেন-পুটিন সম্মিটকী থৌরাং লৈত্রে
# ‘পুটিননা য়ুরোপতা খ্বাইদগী চাউবা থ্রেটনি’

ৱাশিংতন, ফেব্রুৱারি ২৩ (এজেন্সী): য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং রসিয়াগী মহাক্কী লেংমান্নবা ৱ্লাদিমির পুটিনগী মরক্তা মীফম পাঙথোক্নবা লেপ্লম্বদু হৌজিক মদুগী থৌরাং লৈত্রে হায়না হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটরি জেন পসাকিনা লাউথোকখ্রে।

পুটিননা য়ুক্রেনগী রেবেল জিনশিংবু ইন্দিপেন্দেন্ট ষ্টেটশিং ওইনা শকখঙনবা অমসুং কিভ তম্না অহেনবা ক্রুপশিং থাজিন্নবা ৱারেপ লৌখিবদগী খোঙথাং অসি লাকপনি। লৈবাকপোকপা নুমীৎকী অথেংবদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংলদুনা পসাকিনা মতুং তাবদা মীটিং অমা পাঙথোকপগী ৱাফম লৈতে হায়না চপ চানা পনখিদ্রবসু রসিয়ানা ক্রুপশিং লৌথোকপগা লোয়ননা য়ুক্রেনগী উংখৎনবা ফীভম কোকহন্দ্রিফাওবা বাইদেননা পুটিনগা উনরোই হায়খি।

লৈবাকপোকপা নুমীৎকী অঙনবদা প্রসিদেন্ট বাইদেননা রসিয়ন বেঙ্কশিং, ওলিগার্কশিং অমসুং অতৈ কয়াগী মায়োক্তা অহানবা রাউন্দগী অকনবা অথিংবশিং লাউথোকখিবা মতুংদা প্রেস সেক্রেটরিনা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপনি। করিগুম্বা মোস্কোনা য়ুক্রেনদা লান্দাবগী থৌরাং য়াঙশিল্লক্লবদি হেন্না কনবা অথিংবশিং লাউথোক্কনি হায়না বাইদেননা ৱার্নিং তৌখিবনি। অথিংবশিং অদু রসিয়াগী অচৌবা ফাইনান্সিএল ইন্সটিট্যুসন অনী হায়বদি ভি ঈ বি অমসুং মখোয়গী মিলিটরি বেঙ্ক অমদি রসিয়াগী সোভরেন দেব্‌টতা থমখিবনি। বাইদেনগী মতুংইন্না খোঙথাং অদুনা রসিয়ন গভর্ণমেন্টপু নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদগী ফাইনান্সিংগী খুথাংদা শেলগী খুদোংচাবা অমত্তা ফংহল্লরোই।

অথিংবশিং অদু লাউথোক্লদুনা প্রসিদেন্ট বাইদেননা হায়খি, রসিয়ানা মখা তানা নোংচুপলোমদগী শেল শাগৎগা ঙম্লরোই অমদি ঐখোয়গী মার্কেটশিং নৎত্রগা য়ুরোপিয়ন মার্কেটশিংদা অনৌবা দেব্‌টকা মরী লৈননা লল্লোন-ইতিক্কী থবকশিং চত্থবা ঙম্লরোই। মহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসননা রসিয়াগী এলিটশিং অমসুং মখোয়গী ইমুংগী মীওইশিংদসু অথিংবশিং থম্লগনি হায়খি।

লৈবাকপোকপা নুমীৎতা য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট এন্টোনি ব্লিনকন্নসু শগোলশেল নুমীৎতা রসিয়াগী মহাক্কী লেংমান্নবগা পাঙথোক্কদবা মীফম অমা কেন্সেল তৌখি।

চৈরকসিদা সেক্রেটরি ওফ ষ্টেট ব্লিনকননা রসিয়ন প্রসিদেন্ট পুটিন অসি মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংদা য়ুরোপকী সিক্যুরিটিদা খ্বাইদগী চাউবা থ্রেটনি হায়না ফোঙদোকখ্রে। ৱাশিংতনদা য়ুক্রেনগী ফোরেন মিনিষ্টর দমিট্রো কুলেবাগা লোয়ননা পাঙথোকপা অপুনবা প্রেস কনফরেন্স অমদা ব্লিনকননা হায়খি, পুটিনগী থৌরাংদি য়ুক্রেনদা লান্দাবা, য়ুক্রেন অমসুং মসিগী মীয়াম্বু কন্ট্রোল তৌবা, য়ুক্রেনগী দিমোক্রেসি মাঙহনবা অমসুং য়ুক্রেনবু রসিয়াগী শরুক অমনি হায়না অমুক হন্না ক্লেম তৌবনি। অদুনা মহাক অনীশুবা লাঞ্জাও মতুংদা য়ুরোপ সিক্যুরিটিদা খ্বাইদগী চাউবা থ্রেট ওইরিবনি।



## পাকিস্তাননা মখা তানা কেম্প পোলিটিক্স তৌররোই : ইমরান খান

ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারি ২৩ (এজেন্সী): পাকিস্তাননা মখা তাবা পোলিসী অমা ওইনা সাইদ লৌররোই নৎত্রগা কেম্প পোলিটিক্স তৌররোই অমসুং লায়রবা কোক্লনবা মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংগা লল্লোন-ইতিক্কী মরী ফগৎনবা হোৎনরগনি হায়না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা ফোঙদোকখ্রে।



রসিয়া টুদেগী ইন্টর্ভিয়ু অমদা খাননা হায়খি, লৈবাক অনীগী মরক্তা কনফ্লিক্ট থোকপা মতমদা পাকিস্তাননা মখা তানা সাইদ লৌবগী থবক তোক্লগনি। কোল্ড ৱারনা মমাঙদা মালেম অসিবু অৱাবা কয়া নংহনখ্রে। খাননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, পাকিস্তাননা য়ু এস কেম্পতা য়াওখিবদু শেলগী মথৌ তারকপদগী মরুওইনা অফঘানিষ্টানদগী রেফ্যুজি মিলিয়ন কয়া চেনশিল্লকখিবদগীনি।

অফঘানশিং অদু লান নংলবা লৈবাক অদুদগী চেল্লত্তুনা পাকিস্তানদা কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈখিবনি। অদুম ওইনমক পাকিস্তাননা শেল-থুমগী মতাংদা য়ু এসকী মপাল তাঙবগী ফীভম অসি থাদোকপনা ফৈ হায়নসু খাননা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, চহী কয়ামুক্কী মতুং অসিদা লৈবাক অসিনা য়ু এস কেম্প থাদোক্লগা শেল-থুমগী মতাংদা নীংতম্বা পোলিসী অমা চলাইনবা হোৎনরি। মপানগী মতেংদা হিংনবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না লানবা অমা ওইরম্লে। অসিগুম্বা মতেংনা লৈবাক অমবু চাউখৎহন্দে অমসুং মীপাল তাঙদনবা হোৎনবদা অপনবা ওইহল্লি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি মদুদি, শেল-থুমগী মতাংদা য়ু এস মপাল তাঙলুবদগী পাকিস্তাননা সেন্ট্রেল এসিয়াগী লৈবাকশিংগা লল্লোন-ইতিক্কী মরী থম্নবা ঙমখিদবনি। মসি মরুওইনা পাকিস্তাননা য়ু এসকা হেন্না নকশিন্নরুবা অমসুং মখোয়না অতোপ্পা ব্লোক অমগা নকশিন্নখিবদগীনি। হৌজিক্তি পাকিস্তাননা কেম্প অমত্তা য়াওররোই। রসিয়া-য়ুক্রেন কনফ্লিক্টতা পাকিস্তাননা নাকল অমত্তগী মীচঙ চঙলরোই হায়না খাননা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ইমরান খাননা ৱাফম অসিবু ফোঙদোক্লিবসি মরুওইবা তাঙ্কক অমদনি। মহাক নুমীৎ নীনিগী খোঙচৎতা রসিয়াদা চৎননবা হোৎনরকপগা ঈরোয়ননা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপনি। মোস্কোদা মহাক্না রসিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিনগা উনগনি অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ, রসিয়া-য়ুক্রেন কনফ্লিক্ট, অফঘানিষ্টান ক্রাইসিস অমদি ইস্লামাবাদ অমসুং মোস্কোগী মরীনচিংবা ইস্যুশিং খন্নগনি।

## হেলিকোপ্টর কায়বদা ৪ শিরে

হোনোলুলু, ফেব্রুৱারী ২৩ (এজেন্সী): হৱাইয়িগী কৱাই ঈথৎতা হেরিকোপ্টর অমা কায়বদা মীওই মরি শিরে হায়না য়ু এস মীদিয়া রিপোর্টনা হায়রি।

হেলিকোপ্টর কায়বগী থৌদোক অদু লৈবাকপোকপা নুমীৎকী অয়ুক পুং ১০ রোম তাবদা কৱাইগী পেসিফিক মিসাইল রেঞ্জ ফেসিলিটি মনাক্তা ট্রেনিং ওপরেসন অমা পাঙথোক্লি ঙৈদা থোকখিবনি। মরুওইবা লোকল ন্যুজ আউটলেট অমা ওইরিবা হৱাইয়িগী ন্যুজ নাওনা হায়, ক্রাশ অদুদা শিখিবশিং অদু সিবিলিয়নশিং নৎত্রগা মিলিটরিগী মীওইশিংলা হায়বদু খঙবা ঙমদ্রি।

সোসল মীদিয়াদা থাগৎলকপা ইমেজশিংদা সমুদ্র মপানগী মফম অদুদগী মথকলোমদা অমুবা মৈখু কাখৎলকপা উখি। হৱাইয়িগী কেকাহা মনাক্তা সিকোরস্কি এস-৬১ এন হেলিকোপ্টর অমা কায়খিবগী মতাংদা থিজিল্লি হায়বসি য়ু এস নেসনল ট্রান্সপোর্টেসন সেফ্‌টি ব্রিট অমদা কনফর্ম তৌখি।

কায়খিবা হেলিকোপ্টর অদু ওরেগোনদা বেজ তৌবা কন্ট্রেক্টর অমা ওইরিবা ক্রোমান কোর্পোরেসন্না ওপরেট তৌবনি। কন্ট্রেক্টর অসিনা মিসাইল ফেক্টরি অদুদা রেঞ্জ সপোর্ট পীদুনা লাক্লি। কম্পনি অদুগী ৱেবসাইটতা ক্রোমান কোর্পোরেসন্না মসিবু মালেমদা সিকোরস্কি এস-৬১ হেলিকোপ্টরশিং ওপরেট তৌবদা খ্বাইদগী হেন্না এক্সপরিয়েন্স লৈ হায়না ক্লেম তৌখি।

## য়ুক্রেন ক্রাইসিসকী মতাংদা সাউথ কোরিয়ানা মিলিটরি সপোর্ট পীররোই

সিওল, ফেব্রুৱারি ২৩ (এজেন্সী): য়ুক্রেনদা হৌজিক থোক্লিবা ক্রাইসিস অসিগা মরী লৈননা সাউথ কোরিয়ানা মিলিটরি সপোর্ট পীনবা নৎত্রগা ক্রুপ অমগী খুৎলায়শিং দিপ্লোয় তৌবগী ৱাফম খন্নবা লৈতে, তৌইগুম্বসুং রসিয়াদা অথিংবা থম্বগী ৱাফমশিং খন্নবদি য়াই হায়না য়ুমশকৈশা নুমীৎতা চিওং ৱা দে নৎত্রগা প্রসিদেন্সিএল ওফিসনা ফোঙদোকখ্রে।



সিনিয়র প্রসিদেন্সিএল ওফিসল অমনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল পল্লদুনা য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সীনা হায়, য়ুক্রেনগী হৌজিক লৈরিবা ফীভম অদু করি ওইরক্কদগে অমদি মদুনা ঐখোয়দা করি ইফেক্টশিং লাকহনগদগে হায়বগী মতাংদা য়েংশিনবগা লোয়ননা ঐখোয়না করি তৌবা য়াবগে হায়বসু খন্নরি। খন্নরিবশিং অসিদা মিলিটরি সপোর্ট নৎত্রগা দিপ্লোয়মেন্টকী ৱাফম য়াওদে।

য়ু এসনা রসিয়াগী মায়োক্তা থল্লিবা অথিংবশিং থম্বগুম্না সাউথ কোরিয়ানসু মান্নবা খোঙথাংশিং লৌখৎকদ্রা হায়না হংবদা চিওং ৱা দেগী সিনিয়র ওফিসল অমনা হায়খি, য়ু এসনা অসিগুম্বা ইস্যুশিং মীচঙশিংগা খন্নবদা এক্সপোর্ট কন্ট্রোল তৌনবা অমসুং শেল-থুমগী অথিংবশিং থম্নবগী থৌরাংশিং হঞ্জিন হঞ্জিন্না পনখ্রবনি। নোংচুপলোমগী মরুওইবা লৈবাকশিংনা রসিয়াগী মায়োক্তা অথিংবা থম্বদা য়াওনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোক্লখ্রে। ঐখোয়নসু লৌখৎলকপা য়াবা তোঙান তোঙানবা খোঙথাংশিং খন্নরকপদা মসিসু য়াওরি।

রসিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা ইষ্টর্ন য়ুক্রেনগী সেপরেটিষ্ট রিজনশিংদা ক্রুপশিং চঙনবা ওর্দর তৌখিবদগী নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংনা রসিয়ন বেঙ্কশিং অমসুং ইন্দিভিজ্যুএলশিংগী মায়োক্তা শেল-থুমগী অনৌবা অথিংবশিং লাউথোকখ্রবনি। রসিয়াগী মায়োক্তা অথিংবা থম্বগী মতাংদা সাউথ কোরিয়ানা য়ু এস অমদি অতৈ লৈবাকশিংগা তান্নরি হায়না ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখি।

## টি টি পিগা ৱারী শাননবা অফঘানিষ্টানদা চৎখ্রে

ইস্লামাবাদ, ফেব্রুৱারী ২৩ (এজেন্সী): পাকিস্তান গভর্ণমেন্ট অমসুং টেহরিক-আই-টালিবান পাকিস্তান (টি টি পি) টেরর গ্রুপকী মরক্তা পিছ টোক মখা চত্থনবা হোৎনরদুনা পাকিস্তানগী নোর্থ অমসুং সাউথ ৱাজিরিষ্টানগী ট্রাইবেল জির্গা (ট্রেদিসনল এসেমব্লী) অনীগী মেম্বরশিং অফঘানিষ্টানদা চৎলগনি হায়না রিপোর্ট অমনা হায়রি।

অথিংবা থমখ্রবা টি টি পিগী সিনিয়র লিদরশিংগা উননবা অমসুং মখোয়বু পাকিস্তান গভর্ণমেন্টকা ৱারী শানহন্নবগী পান্দমগা লোয়ননা নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা জির্গাগী মেম্বর মরিনা শাবা টিম অমা অফঘানিষ্টানদা চৎখিবনি। পিছ টোককী থৌরাং অদুগা নকশিন্নবা ছোর্স অমনা ফোঙদোরকপদা, মরুওইবা জির্গা অদু নেহসুদ ট্রাইবকীনি। মদু হান্নগী সিনেটর অমসুং মমিং লৈরবা লাইনিং-লাইশোনগী লুচিংবা মৌলানা সালেহ শাহনা লুচিংখি। জির্গা অসিগী থবক থা অমগী মমাঙদা হৌখিবগা লোয়ননা অফঘানিষ্টানদা খোঙচৎ অহুম পাঙথোকখ্রে। মৌলানা সালেহ শাহ অসি মৌলানা ফাজলুর রহমন গ্রুপকী জমিয়েট উলেমা-ঈ-ইস্লামগা মরী লৈনৈ। মহাক টালিবান অমদি গভর্ণমেন্ট লোয়ননা সিক্যুরিটি ইষ্টাব্লিসমেন্ট অমগা অফবা মরী লৈনৈ।

## ইরাকি পার্লিয়ামেন্টনা প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনগী কেন্দিদেট ৩৩ লাউথোকখ্রে

বাঘদাদ, ফেব্রুৱারি ২৩ (এজেন্সী): মথং চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ইরাকি প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনগীদমক্তা লৈবাক অসিগী পার্লিয়ামেন্ট নৎত্রগা কাউন্সীল রিপ্রজেন্টেটিভসনা কেন্দিদেট ৩৩গী মিং লাউথোকখ্রে।



পার্লিয়ামেন্টকী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, কেন্দিদেটশিং অদুদা পেট্রিওটিক য়ুনিয়ন ওফ কুর্দিষ্টানগীদমক্তা চোংথোক্লিবা হৌজিক্কী প্রসিদেন্ট বর্হাম সালিহ, কুর্দিষ্টান দেমোক্রেটিক পার্টিগী মীরেপ ওইনা চোংথোক্লিবা কুর্দিষ্টান ইন্টরিয়র মিনিষ্টর রেবার অহমদ খালিদ অমসুং লৈখিদ্রবা লিদর সাদ্দাম হুসেনগী ট্রাইএল শীল-লাংখিবা ইরাকি স্পেসল ট্রাইব্যুনেলগী হান্নগী চীফ জজজ রিজগর মোহম্মদ অমিন য়াওরি।

কেন্দিদেটশিংগী লিষ্ট অদুদা নন-কুর্দিশ কেন্দিদেটশিংসু য়াওরি। মসি কুমজা ২০০৩গী মতুংদা ইরাক্তা চৎনরকখিবা পৱার-স্যেরিং সিষ্টমগা খেন্নে। সিষ্টম অদুদদি ইরাকি প্রসিদেন্সি অসি কুর্দশিংগীদমক রিজর্ভ তৌগদবনি, স্পিকরগী ফমনা সুন্নিশিংগীদমক রিজর্ভ তৌগদবনি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগী ফমনা সিয়াশিংগীদমক রিজর্ভ তৌগদবনি।

লৈবাকপোকপা নুমীৎকী অঙনবদা পার্লিয়ামেন্টকী মীদিয়া ওফিসনা থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি মদুদি, লাক্লিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা প্রসিদেন্ট খন্ননবা সেসন অমা পাঙথোক্লবগীদমক স্পিকর মোহম্মদ অল-হালবৌসিনা মহাক্কী দেপ্যুটি অনী অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি ব্লোকশিংগা মীফম অমা পাঙথোকখি।

পার্লিয়ামেন্টরি পোলিটিকেল ব্লোকশিংগী মরক্তা য়েৎনবা কয়া লৈবনা মরম ওইদুনা জন্যুৱারী ৭তা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খন্ননবা পার্লিয়ামেন্টনা সেসন পাঙথোক্তুনা ভোট লৌনবা ঙমখিদবনি। মথংগী নুমীৎতা পার্লিয়ামেন্টনা নুমীৎ হুম্নী চুপ্না প্রসিদেন্টকী ফমগীদমক অমুক হন্না নোমিনেসন চত্থনবা ৱারেপ লৌখি।

## মমাংঙৈগী মীতম হন্দোরক্লবা ইটালিনা হায়জখ্রে

রোম, ফেব্রুৱারী ২৩ (এজেন্সী): কুমজা ১৯৭০গী মতুং চহী খরগী মনুংদা ইটালিদগী লোনা য়াদবা মওংদা লৌখিবা মমাংঙৈগী মীতম অমা য়ু এসতা লৈবা ম্যুজিয়ম অমনা হন্দোরক্লবা ইটালিয়ন মেজিষ্ট্রেটশিংনা হৌনবী মতুংইন্না হায়জখ্রে।

খৃষ্টকী মমাঙ ১২০-৫০গী মতমদগী লৈরকখিবা মীতম দোরিফোরোস ওফ ষ্টাবিয়া অসিবু হন্দোরক্লবা য়ু এসকী জুদিসল ওথোরিটিশিংদা হৌনবী মতুংইন্না হায়জখ্রে হায়না কোর্ট ওফ তোরে অন্নুনজিয়টা এজন্সীদা কনফর্ম তৌখি। মীতম অদু হৌজিক্তি লৈত্রবা খৃষ্টকী মমাঙদা কুমজা ৪৪০ রোমগী মতমদা লৈখিবা মমাংঙৈগী গ্রীক মীতম অমগী মার্বল কোপী অমনি।

কোপী অদু খৃষ্টকী মতুং কুমজা ৭৯দা মৈগী চীং পোকখায়বদা রোমান সিটি পোমপেয়াইদা ইহান হান্না থেংনখিবনি। কোর্ট ওফ তোরে অন্নুনজিয়টা অসি পোমপেয়াইগী লেমহৌবা শরুকশিং অমদি সিটি অসিবু কোল্লিবনি। মীতম অদু কুমজা ১৯৭৫দা হুখি অমসুং মদুবু ৱাথোক ওইরবা এন্টিক্যুটিজশিংগী কল্লেক্টর এলি বোরোস্কিনা ইটালিদগী পুথোরকখি। রিপোর্ট খরগী মতুংইন্না মহাক কুমজা ২০০৩দা শিখি। মদুগী তুংদা মীতম অদু কুমজা ১৯৮৪দা মিন্নেয়াপোলিস ইন্সটিট্যুট ওফ আর্টনা দোল্লর মিলিয়ন ২.৫দা লৈখি।

ইটালিয়ন পাউচে কোরিয়রি দেল্লা সেরাগী মতুংইন্না ইটালিনা মীতম অদুবু ক্লেম তৌরিবদু হৌখিবা চহীগী ম্যুজিয়মগী ওফিসল অমনা য়েৎখি। মদু ফ্রেস্কোগী পেনেল মঙা য়াওবা অচৌবা দিল অমগী শরুক অমা ওইনা লোনা য়াবা মওংদা লৈখিবনি হায়না ওফিসল অদুনা য়েৎখিবনি।

## ঈ য়ুনা অথিংবশিংগী পেকেজ অয়াবা পীখ্রে

ব্রসেলস, ফেব্রুৱারী ২৩ (এজেন্সী): রসিয়ানা য়ুক্রেনগী লমদম অনী দোনেটস্ক অমসুং লুহানস্কপু নীংতম্লবা ষ্টেটশিং ওইনা শকখঙখিবদগী লৈবাক অসিগী মায়োক্তা থমগদবা অথিংবশিংগী অনৌবা পেকেজ অমা ঈ য়ুগী মেম্বর লৈবাকশিংনা পোলিটিকেলগী অয়াবা পীরে হায়না লৈবাকপোকপা নুমীৎতা য়ুরোপিয়ন কম্মিসনগী প্রসিদেন্ট উর্সুলা ভোন দের লেয়েননা ফোঙদোকখ্রে।

এজেন্সীগী রিপোর্টনা হায়, পেকেজ অদুদা রসিয়ন মিলিটরি এপরেটস ফাইনান্স তৌবা অমসুং য়ুক্রেনগী মরা তপ্পা ফীভম থুগায়বদা কন্ট্রিব্যুট তৌবা বেঙ্কশিংদা টার্গেট তৌবা থৌরাং কয়া য়াওরি। পেকেজ অদুনা কুমজা ২০১৪দা ক্রিমিয়াগী মতাংদা তৌখিবগুম্না য়ুক্রেনদগী তোঙান্না তাখ্রবা লমদম অনীদুগা লল্লোন-ইতিক চত্থবদসু অথিংবা থমখি। মসিদা নত্তনা রসিয়ন গভর্ণমেন্টনা ঈ য়ুগী ফাইনান্সিএল মার্কেটশিংদা কেপিটেল শেমগৎপগী থবক্তা অকায়বা পীগদবা থৌরাংশিংসু পেকেজ অদুদা য়াওরি।

নিংথৌকাবা নুমীৎকী নুমীদাং রসিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিননা ইষ্টর্ন য়ুক্রেনগী দোনবাসকী মনুং চনবা মশানা লুগানস্ক পিপলস রিপব্লিক (এল পি আর) অমসুং দোনেটস্ক পিপলস রিপব্লিক (দি পি আর) হায়না লাউথোকচবা লমদম অনীবু নীংতম্বা ষ্টেটশিং ওইনা শকখঙখিবা দিক্রিশিংদা খুৎয়েক পীখি।

**Format C-l**

**Declaration about criminal cases**

*(As per the judgment dated 25th September, 2018, of Hon'ble Supreme Court in WP (Civil) No. 536 of 2011 (Public Interest Foundation & Drs. Vs. Union of India & Anr.)*

Name and address of candidate: - SAPAM NISHIKANT SINGH of SEGA ROAD THOUDABHABOK LEIKAI, P.O. & P.S. IMPHAL, IMPHAL WEST DISTRICT, MANIPUR-795001

Name of political party: - INDEPENDENT

Name of Election: - 12th- MANIPUR LEGISLATIVE ASSEMBLY 2022

*Name of Constituency: - 12-KEISHAMTHONG ASSEMBLY CONSTITUENCY.

I SAPAM NISHIKANT SINGH, a candidate for the abovementioned election, declare for public information the following details about my criminal antecedents:

(A) Pending criminal cases

| Sl.No. | Name of Court | Case No. and dated | Status of case(s) | Section(s) of Acts concerned and brief description of offence(s) |
|---|---|---|---|---|
| 1. | NA | NA | NA | NA |

(D) Details about cases of conviction for criminal offences

| Sl.no. | Name of Court & date(s) of order(s) | Description of offence(s) & punishment imposed | Maximum Punishment Imposed |
|---|---|---|---|
| 1. | Chief Judicial Magistrate, Imphal West, Manipur | Charged for Defamation & Printing or engraving matter known to be defamatory | Compensation of Rs. 20,000/- each to be paid to the complainant under section 5 of probation offender Act for offence U/S 500 & 501 IPC respectively |

HL-P/1815/24